
## মালেমগী অঙকপশিং

# হায়টিগী সিটাদেল লাফেরিয়র



হায়টিগী খা থংবা কেপ হায়টেন সিটি মনাক্তা লৈবা সিটাদেল লাফেরিয়রবু মীয়াম্না অঙকপা অমা ওইনা লৌনরি। চীংজাউ অমগী মথক্তা লৈবা লানবন অসি অমেরিকাগী ওইনসু খ্বাইদগী চাউবা লানবননি হায়না লৌনরি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না কুমজা ১৯৮২দা ৱর্ল্ড হেরিরটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রবা লানবন অসি হেনরি খৃষ্টোপ কৌবা হায়টিয়ন এস্লেপ রিবেলিয়নগী লুচিংবা অমনা শারম্বনি। ১৯শুবা চহী চা হৌগৎলকপদা হায়টিনা ফ্রান্সতগী মনীং মখা তম্লবা মতুংদা হেনরি খৃষ্টোপনা শিন্মী ২০,০০০গা লোয়ননা হায়টিবু য়েক্লবা ফ্রান্সনা লান্দারকপা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা লানবন অসি শাখিবনি। হায়টিয়নশিংনা মরমদম ঙাক শেন্নবগী পান্দমদা লানবন অসিগী অকোয়বদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেনন ৩৬৫ খিন্দুনা থল্লি। কুমজা ১৮০৫দা হেনরি খৃষ্টোপনা হায়টিয়ন আর্মিগী জেনরেল অমসুং লৈবাক্কী অৱাং থংবা রিজনগী চীফ এদমিনষ্ট্রেটর ওইরবা মতমদা লানবন অসি শীজিন্নবা হৌখি।

মমাঙঙৈদা য়েক্লবা মশীং য়াম্বা মরম্না হায়টিবু ঙাক শেন্নবগীদমক অতৈ অতোপ্পা লানবন কয়াসু শাদুনা থম্লম্মী। মমিং খরদং পল্লবদা ফোর্ট জেক্স অমদি ফোর্ট আলেকজেন্দর অসিনচিংবনি। ঙসিদি লানবন অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টুরিষ্টশিংগী লমথুংফম ওইরে। কুমজা ২০১২গী জুলাইদা হায়টিয়ন প্রসিদেন্ট মিচেল মার্টেলিনা লানবন অসিগী ফীভম উরুবদগী হায়টিয়ন নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর হিষ্টোরিক প্রিজার্ভেসন্দা মপূং ফানা লানবন অসিগী ফীভম শেমজিন্নবা য়াথং পীখি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - জেন ওষ্টেন -



জেন ওষ্টেন (১৭৭৫-১৮১৮) সোসিএল রিএলিজমগী মচাক য়াওবা রোমান্তিক ফিক্সন ইবী ইংলিস অইবীনি। মহাক্কী খ্বাইদগী ফাওরবা নোবেলশিংগী মনুংনা সেন্স এন্দ সেন্সিবিলিটি (১৮১১), প্রাইদ এন্দ প্রেজুদিস (১৮১৩), মেনসফিল্ড পার্ক (১৮১৪) অমসুং ইম্মা (১৮১৬) পনবা য়াই।

বৃটিশ অইবী জেন ওষ্টেন কুমজা ১৭৭৫ গী দিসেম্বর ১৬ তা ষ্টেভেন্টন হেমসফসায়রদা পোকখি। মহাক অঙাং নিপান পোকপা ইমুং অমগী তরেৎশুবা মচানুপীনি। মহাক্কী অপোকপা জোজ ওষ্টেন ভিকার অমা ওইনা চহীদা পাউন্দ ৫০০ গী ইনকমগা লোয়ননা য়ুম পুরম্মী। মখোয় মিদল ক্লাস ইমুং ওইরবসু ইনকম অদুনা ইনাক খুনবদি ঙমখিদে। মহাক্কী অপোকপনা মচানুপীশিংবু ময়ুম মকৈ পালহন্নবা শেল মতিক চানা পুথোকপা ঙমখিদে হায়নৈ। জেন মচিন মনাও নুপা মঙা অমদি মচে অমগা লোয়ননা চাউমিন্নরকখি। এদৱার্দ কৌবা মহাক্কী মচিন-মনাও নুপা অমদি মচা য়াওজদবা ইনাক কৈরাক খুনবা মতৈ-মনাও অমনা য়োকখি। জেন মচিন-মনাওশিংগা য়াম্না নকশিন্নখি। মরুওইনা মহাক মচে কেসেন্দ্রগা থোইদোক্না নকশিন্নখি। মহাক্কী পুন্সি চুপ্পা লেট্টর মচেগা ইনদুনা অমগা অমগা ৱা তাথোক তাশিন তৌনখি অমদি হিরম খুদিংমক্তা মত ফোঙদোক্লখি। জেনগী মরমদা ঐখোয়না খঙলিবা খুদিংমক লেট্টরশিং অসিদগীনি। লাইবক থীবদি জেননা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্না ইখিবা লেট্টর কয়া কেসেন্দ্রনা মৈ থাদোকখি। মহাক অহানবা ওক্সফোর্দ তম্লকখি। মতুংদা রিদিংদা লৈবা বোর্দিং স্কুল অমদা অমুক তমখি। জেনগী মচিন-মনাও নুপা অনী নেভিদা য়াওদুনা নেপোলিয়নগা শোক্লবা লানদা শরুক য়াখি। মখোয় অনীমক এদমিরেল ওইরকখি। মেনাসফিল্ড পার্ককুম্বা নোবেলশিংদা জেনগী নেভিগী কন্নেক্সনশিং উবা ফংই। কুমজা ১৮০৫ দা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুংদা জেন মহাক্কী অপোকপী অমসুং মচেগা লোয়ননা হেম্পসায়রদা হল্লকখি।

নাইটশিংনা য়োকখিবা মহাক্কী বুং এদৱার্দনা কুমজা ১৮০৫ দা ইমুং অদু চোটনদা লৈবা মহাক্না (মবুংনা) ফংবা লমদা পুন্না লৈমিন্নবা কৌরকখি। চোটনগী য়ুমদা লৈরিঙৈ মতমদা জেননা মমিং চৎলবা মহাক্কী নোবেল খরা ইখি। জেনগী নোবেল অয়াম্বদা পুন্সিদা হোংলিবা মহাক্কী মীৎয়েংশিংগী মমি তাখি। মহাক্কী পুন্সিগী মতম অয়াম্বা সোসাইটিগী মী অয়াম্বগা তোৎনদা লেনখি হায়বা য়াই। তশেংনমক মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা মরুপ মপাংশিং হায়বসি মরুওইনা মহাক্কী ইমুং অমদি মান্না থাক্কী তীন্নবা ইমুং খরনা ওইখি।

## ব্যুটি : তূমদ্রিঙৈ মাংওইননা বিয়ুটি টিপশিং অসি ঙাক্না চৎলবদি মতম পূম্বগী ওইনা মায়থোঙ মকা লাম্না লৈবা ঙমগনি



মীওই অয়াম্বনা মশাগী থবক চিনবনা মরম ওইদুনা ৱানা হল্লক্লবা তুং মায়গী স্কিন ফজনা থম্নবগীদমক করিমত্তা তৌবা ঙম্নদে। অদুবু মসিগী হৈনবী অসি থাদোক্তুনা খজিক অৱাবা খাংদুনা হোৎনবিরবদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। নুমীৎ চুপ্পা চেনবা চোংবা তৌরবসু তূম্লমদাইগী মমাংদা মায়থোঙগীদমক খরা খন্দুনা হোৎনবিবা ফৈ। মায়থোঙ মকা লাম্না থম্বা পাম্লগদি করিগুম্বা খরদি তৌবা তাই। হায়নবা লৈ করিগুম্বা পোৎশক অমা ফংগে হায়রবদি করিগুম্বা খরদি কৎথোকপা অমা মথৌ তাই। নুপী অমদি নুপা খরদি নুংথিলদা মায়থোঙ ফজনবা হোৎনরবসু নুমিদাং তূম্লমদাইদা স্কিনগীদমক করিমত্তা তৌদনা তূমখিবসু য়াওদবা নত্তে। অদোম খঙবিরম্বসু য়াই ঐখোয়না ৱারে হায়দুনা তূমখ্রবসু ঐখোয়গী হকচাংগী কয়াৎশিং লেপ্পা লৈতনা থবক তৌদুনা লৈ। মদুনা অয়ুক হৌগৎলকপদা হকচাংবু নুংঙাহল্লি, অৱাবশিং কোকহল্লি। করিগুম্বা অসোম্না অদোমগী স্কিন য়াম্না ফজনা নহা ওইনা মায়থোঙ মকা লাম্না অমদি স্কিনগী লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্না লৈগে হায়রবদি তূমদ্রিঙৈ মমাং ফমুং চংদ্রিঙৈদা হায়রিবা বিয়ুটি টিপশিং অসি ঙাক্না চৎথবগী তঙাইফদবা লৈ।

**ঈশিংনা মায় তাথোকপা কাউবিগনু :** মায়থোঙবু ফজনা লৈনবগীদমক স্কিনবু চেকশিন্না শেন্নবা মথৌ তাই। ঈশিংনা মায় তাথোকপীরবদি মায়গী স্কিনশিংদা মোৎলম্বা অদু কোকপগা লোয়ননা স্কিননা মশাগী শোক্লবা উনশাশিংবু মেকঅপ তৌবদা মতেং ওইহল্লি।

**উনশাবু চেকশিন্না থম্বা :** উনশাশিংবু চেকশিন্না থম্নবগীদমক ৱাফম খরদি ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। অফবা ঈশিংনা ফজনা মায় শেংনা তাথোকপিরবদি স্কিনদা য়াওরিবা ফত্রবা পোৎশকশিং থোকখ্রগনি। মরম অদুনা নুমীৎ চুপ্পা মফম কয়াদা চৎলুবগী মায়গী উনশাদা নুংশাগী অকনবা মৈশানা ফুবদা চোকথরবা উনশা অদু নুমিদাং তূম্লমদাইদা মায় তাথোকপনা মায়গী উনশাবু নুংঙাইনা পোৎথাবা ঙমহল্লি। মরম অদুনা মতম লৈবা খিবিক্তা ফনা ৱারুরবসু তূম্লমদাইদা মায় তাথোকপা কাউবিগনু।


**হর্বল ফেস মাক্স শীজিন্নবা য়াই :** নুমিদাং তূমদ্রিঙৈ মমাংদা মায়দা তৈনবা হর্বল ফেস মাক্স তৈবা ঙম্লগদি মায়গী উনশাগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি। মদু চাং নাইনা শীজিন্নবনা মায়গী উনশাদগী মাঙখ্রবা মায়থোঙগী গ্লো অমদি থোৎ-থোৎ লাউনা ফজবা মায়থোঙ অদু অমুক হন্না পুরকপা ঙমগনি।

**মীৎপু তরাইনা লৌবা ফত্তে :** তূমদ্রিঙৈ মমাংদা মীৎকী উনশাগী মথক্তা ক্রিম অমদি মীৎতা দ্রোপ থাদবা কাউরোইদবনি। মীৎ হায়বা অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা য়াম্না থোৎপা মফম অমনি। মরম অদুনা মীৎপু চেকশিন্না থম্বতা নত্তনা মীৎ ময়াগী উনশাশিংবুসু চেকশিন্না থম্বা মথৌ তাই। তূম্লমদাইদা মায় তাথোক্লবা মতুং অফবা ক্রিম তৈরবদি মায়দা উরিং থুংবদগী ঙাকথোকপসু ঙমগনি।

**স্কিনদা মোচুরাইজর তৈবসু কান্নে :** তূম্লমদাইদা মায়খক ফজনা থম্বগী মহুত্তা হকচাংগী উনশাশিংদা অফবা মখলগী মোচুরাইজর তৈবা ঙম্লগদি হকচাংগী উনশাশিংদা থোৎ-থোৎ লাউনা গ্লো ওইনা ফজনা লৈবা ঙমগনি।

**শমদা মালিশ তৌবসু কান্নবা ওই :** স্কিনগা লোয়ন-লোয়ননা তূম্লমদাইদা কোক্কী শমশিংদা মালিশ তৌবসু হকচাংগী ওইনা য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওই। মদু তৌবনা নুমীৎ চুপ্পগী থবক তৌবদগী চোকথবশিং অদু কোকহনবা ঙমগনি। লোয়ননা মদুনা নুমিদাং নুংঙাইনা তূম্বা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। নুমিদাং ফজনা তূম্লবদি মায়থোঙ খক নত্তনা হকচাংগী উনশাশিং গ্লো ওইনা ফজদুনা এট্রেক্টিব ওইবা শকফম অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

## [illegible]







Title: Night
By: Sweety Thiyam
Class: III Sec: B Roll No. 89
School: Regular English High School




Title: Lotus in the Pond
By: Katy Thoudam
Class: K.G. Sec: A Roll No. 18
School: Regular English High School



Title: Fish
By: Khundrakpam Leishembi Chanu
Class: III Sec: B Roll No. 82
School: Regular English High School




Title: Elsa and Anna
By: Elangbam Prativa Devi
Class: V Sec: A Roll No. 49
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: A House
By: H. Chingkheinganbi
Class: III Sec: C Roll No. 61
School:




Title: Symbol of Peace
By: Razish
Class: V Sec: A Roll No. 53
School:



Title: Loving Dog
By: Najiya Hassan
Class: V Sec: A Roll No. 61
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Ahine
By: Ronica Kh.
Class: III Sec: C Roll No. 14
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Helicopter
By: Salam Kenedy
Class: III Sec: C Roll No. 40
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Cindrella
By: Tamphasana
Class: III Sec: C Roll No. 12
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: A House behind for a sea Breeze
By: Sangomsumpham Wajiya Hassan
Class: V Sec. A Roll No. 60
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Drum
By: Yaiphaba Kh.
Class: III Sec: C Roll No. 56
School: Standard Robarth Hr. Sec. School